# পেন্দেমিক মপুং ফানা লাকশিন্দ্রবদি ওলেম্পিক্স পাঙথোকপা ওইথোক্লোই : পি এম সিঞ্জো অবে

*টোকিও, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

মালেমগী মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক অসি মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রবদি টোকিও ওলেম্পিক্স পাঙথোকপা ওইথোক্লোই হায়না গেমস অসিগী যুম্থু লৈবাক জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি অমসুং জপানিজ গভর্ণমেন্টনা কোরোনাভাইরস আওটব্রিক অসিনা মরম ওইরগা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি মথং চহীগী জুলাই থাদা পাঙথোক্লবগী অনৌবা মতম লেপখিবনি।

ঐখোয়না ওলেম্পিক অমসুং পেরালিম্পিক গেমসশিং অসি মপুং ফানা পাঙথোকপা পান্দম থল্লি। অদুবু ঐখোয়গী এঠলেটশিং অমসুং ফেনশিংগী গেমস অসিদা তেক্ত-কায়দনা শরুক যাহনবা পাম্মী। অদুবু কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক অসিনা হৌজিক ওইরক্লিবা মালেমগী ফিভম অসিনা গেমস অসি পাঙথোকপগী ওইথোকপা লৈতে হায়না অবেনা মখা তাখি।

জপানগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি ওপ্পোজিসন লোমেক্করনা টোকিও গেমস অসি চহী অমা থেংথরবসু মথং চহীদা শোয়দনা পাঙথোকপগী ফিভম লৈব্রা হায়না হংলকখিবা হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম ওইনা পীখিবনি।

নেসনেল ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ঙরাং খক্তদা জপান্দা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা কেস ১১২ কনফার্ম তৌখি। জপান লৈবাক্তা পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৩,৮৯৫ হেন্না নাদুনা লৈরি অদুগা মীওই ৪১৩ হেনবদা লায়চৎ অসিনা শিহনখ্রবনি হানা ন্যুজ এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকখিবনি।

ঐখোয়না হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী মরমদা কুপ্না নৈনবা মতম ওইরি। ঐখোয়না পেন্দেমিক অসিগী মথক্তা লাঞ্জং অমা চঙশিল্লি। গেমস অসিগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি, টোকিও ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমসুং টোকিও গুবরনেটোরিয়েল গভর্ণমেন্টকা পুন্না থবক তৌমিন্নরি হায়না জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না কোরোনাভাইরসকী মথক্তঃা লান্থেংনরিবা অসি মায় পাকপা তারবদি গেমস অসি শোয়দনা পাঙথোকপা য়াগনি, নৎত্রবদি গেমস অসি পাঙথোকপদা অরুবা অমদি ওইগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

নীংশিংবা য়াই, ঙরাং টোকিও ২০২০ গী প্রসিদেন্ট য়োসিরো মোরীনা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসি মপুং ফানা লোয়শিনবা ঙমদ্রবদি মথং চহীগী ওলেম্পিক গেমস অসি কেন্সেল তৌবগী ফিভমদা লৈগনি হায়খিবনি। জপান মেডিকেল এসোসিয়েসন ( জে এম এ)গী ওফিসিয়েল য়োসিটাকে য়োকোকুরানসু পেন্দেমিক অসিগী চপ চাবা ভেক্সিন অমা পুথোক্ত্রিফাওবা ওলেম্পিক গেমস পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা মায়োক্নগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

নাকল অমরোমদা ওলেম্পিক গেমসতা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন দরকার লৈবা হায়বা ৱাফম অদু ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা য়াখিদ্রে। টোকিও ওলেম্পিক্স অসি কোরোনাভাইরস ভেক্সিন পুথোকপগী কন্টিনজেন্ট নৎতে হায়নসু বোদি অসিগী মেম্বর জোন কোটসনা ঙসি ফোঙদোকখি। জোন কোটসনা হায়খিবদা জে এম এগী প্রসিদেন্ট য়োসিটাকে য়োকোকুরাগী কম্মেন্ট অদু মহাক্কী ওপিনিয়ননি হায়খি।



# এ টি পি অমসুং দব্লিয়ু টি এ পুনশিনবনা মশান্না অসিগী মপাঙ্গল হেনগৎলগনি : টোপ প্লেয়রশিং

*পেরিস, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

এ টি পি অমসুং দব্লিয়ু টি এ অমত্তা ওইনা পুনশিনবনা টেন্নিস মশান্না অসি হেন্না মপাঙ্গল কলহল্লগনি হায়না মকোক থোংবা নুপীগী টেন্নিস শান্নরোই রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভানা ফোঙদোকখ্রে।

রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ফোঙদোকখিবদা এ টি পি অমসুং দব্লিয়ু টি পুনশিনবনা নুপী অমসুং নুপী চপ মান্নবা লেবেলদা লৈরগনি। মার্কেট অমসুং প্রমোসন তৌবদসু চপ মান্ননা খুদোংচাবা ফংলগনি অমসুং প্রাইজ মনিসু চপ মান্নরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

টেন্নিস মশান্নশিং অসি কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা হৌখিবা মার্চ থাদগী সস্পেন্দ তৌদুনা লাকখিবনি। মশান্না অসি জুলাইগী ময়ায় থংবা শরুক্তগী হৌবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরবসু তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা লায়চৎ অসি কিবদগী বোর্দরশিং থিংজিন্নখিবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙ চয়োলদা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টার রোজর ফেদররনা সোসিয়েল মেদিয়াগী খূত্থাংদা গভর্ণিং বোদি অনীমক অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী ৱাফম হৌদোকখিবনি। মহাক্কী ৱাফম অদু এ টি পি টুরগী চীয়রমেন এন্দ্রিয়া গাউদেঞ্জি অমসুং দব্লিয়ু টি এ টুরগী কাউন্টরপার্ট ষ্টিভ সাইমোননা তরাম্না ওকখিবনি।

কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক কয়াদা লোকদাউন থমজিনখিবদগী মশান্না অসি পাঙথোকপগী মতম কয়া অমা মাঙহনখ্রে। মখা তানসু মতম মাঙখিবা য়ারি। ফিভম অসিদা বোদি অনীনা পুনশিন্দুনা পাঙ্গল কনবা বোদি অমা ওইহন্নিংবগী ৱাফমসু মল্টিপল গ্রান দস্লাম ৱিন্নর রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভানা ফোঙদোকখিবনি।


ঐহাক্না খনবদা বোদি অনী অমত্তা ওইনা পুনশিনবনা মশান্না অসি য়ুনিফোর্ম ওইবা ঙম্লগনি অদুগা মপাঙ্গল হেন্না কহল্লগনি হায়না নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না প্রদক্ট অমা, ব্রান্দ অমগী মখাদা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা ঐখোয়গী চপ মান্নবা গোল অদু ফংনবা হোৎনবা য়ারগনি। মসিনা ক্রাইসিসকী মতুংদা মশান্না অসি অৱাংবা থাক্তা পুখৎলগনি। হৌজিক্কী ওইনা টি ভি য়েংলিবশিংনা তোঙান-তোঙানবা প্লেটফোর্মগী মতুং ইন্না টেন্নিস মেটচশিং য়েংনরি। বোদি অনীমক পুনশিল্লবদি খুদোংচাদবশিং অসি য়াম্না লায়থোহল্লগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

বোদি অনীমক অমত্তা ওইনা পুনশিল্লবসু নুপা অমসুং নুপীগী তোঙান-তোঙানবা রেঙ্কিং সিষ্টেমশিং লৈগনি। মশান্না অসিগী রুল খরা হায়বদি ওন-কোর্ট কোচিংদা খরা খেন্নবা লৈগনি হায়রি। নুপা অমসুং নুপীগী লেবেল, মার্কেট অমসুং প্রমোসন চপ মান্ননা লৈগনি।

রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ফোঙদোকখিবদা নুপাগী টোপ শান্নরোইশিংনা নকশিন্ননা শান্নবা ফংবগী খুদোংচাবা লৈরকপা অসিনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। হালেপনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসিমক চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভানসু ফোঙদোকখি।

গভর্ণিং বোদি অনীমক পুনশিল্লবসু এ টি পি অমসুং দব্লিয়ু টি এগী পাঙথোক্কদবা টুরশিং ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি এফ) অমসুং গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট মরিগী বোর্দ মেম্বরশিংনা কন্ট্রোল তৌগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।





# লৱার লেবেল স্পোর্টসতগী হান্না হৌনবা হোৎনগদবনি

*জেনেভা, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক অসি লৈবনা লৱার লেবেল স্পোর্টসতগী হান্না শান্নবা হৌনবা হোৎনগদবনি হায়না ৱার্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী এক্সপার্ট গ্রুপকী মেম্বর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা শান্নবগী টুর্নামেন্ট কয়া য়েথোক্তুনা লাক্লি। লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অমা শিহনখ্রবনি। মরম অসিনা শান্নবগী ইভেন্ট হৌরকপদা টুর্নামেন্ট মচাদগী হান্না হৌনবগী ৱাফম দব্লিয়ু ঐচ ওগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবনি। অচৌবা ইভেন্ট তৌবা হায়বসি শান্নরোইশিংগী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা অমসুং মী য়াম্না পুনবগী তঙাইফদবা লৈবনা খুদোংথিবা থোকপগী চাং হেনগনি।

মরম অসিনা লৱার লেবেলগী কম্পিটিসনশিং পাঙথোকপদসু সোসিয়েল দিষ্টেন্সিংগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্না চৎপগী মথৌ তাই। লোকেল রেসশিং নৎত্রগা মী য়ামহন্দনা সোক্কর টুর্নামেন্ট পাঙথোকপগী ওইথোকপা লৈ হায়না ব্রেন মেকক্লেস্কীনা ফোঙদোকখি। পেন্দেমিক অসিনা হৌজিক ওইহল্লিবা ফিভম অসিদা অচৌবা টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা হায়বসি য়াম্না রিস্ক চাওই হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী মেম্বর মেক ক্লোস্কীনা হায়খি।

মেকক্লোস্কীনা হায়খিবদা কম্যুনিটি ইভেন্টশিং পাঙথোকপদদি মখোয়গী যূমগী অনকপদগী লাকপা অকক্লবা মীওই খরা খক্তমক শরুক য়াগনি। মসিনা কন্ট্রোল তৌবদা অরাইবা মওং ওইগনি। মসিগী মতুং দা ওর্গনাইজরশিংগী মতেংগা লোয়ননা প্রোফেসনেল কন্টেষ্টশিংসু মালেমগী মফম পুম্নমক্তা তপ্না-তপ্না পাঙথোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ৱার্ল্ড প্লেয়র এসোসিয়েসন্দা মালেমগী এঠলেট ৮৫,০০০ হেন্না য়াওরি। এসোসিয়েসন অসিদা মালেমগী লৈবাক ৬০ হেনবদগী প্লেয়র এসোসিয়েসন ১০০ রোম য়াওরিবনি। প্রোফেসনেল এঠলেটশিংনা য়াম্না থুজিন্দুনা মখোয়গী ট্রেক্টশিংদা হল্লকপা হায়বসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরি। মরম অসিনা প্রোফেসনেল এঠলেটশিংনা কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক অসি লাকশিনবগী মতম খরা ঙাইবা মথৌ তারি হায়না মেকক্লোস্কীনা মখা তাখি।

# জে অরুনকুমারনা য়ু এস এ ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইরে

*মুম্বাই, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

মমাঙদা কর্নাতকাগী ক্রিকেট্টর ওইরম্বা জে অরুনকুমার য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী নেসনেল ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইনা খনখ্রে।

অরুনকুমার কর্নাতকা ক্রিকেট টিমগী খ্বাইদগী মায় পাকপা কোচ অমসু ওইবা ঙল্লিবনি। মহাক্কী মখাদা কর্নাতকানা দোমেষ্টিক টুর্নামেন্ট রঞ্জি ট্রোফি, ভিজয় হজারে ট্রোফি অমসুং ইরানি কপকী টাইটলশিং ২০১৩-১৪ অমসুং ২০১৪-১৫ সিজনশিংদা লৌবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ৪৫ শুরবা জে অরুনকুমার ইন্দিয়াগী প্রেমিয়র লীগকী ক্লব কিংস এলবেন পঞ্জাবকী বেট্টিং কোচ ওইনা থবক তৌরিবা মীওইনি।

য়ু এস এ ক্রিকেট টিমগী নৌনা কোচ ওইনা খনখ্রবা অরুনকুমারনা ফোঙদোরকখিবদা ঐহাক্কী য়াম্না লেমজনিংঙাই ওইরবা থৌদাং অমা হৌরগনি। ঐহাক্না দোমেষ্টিক অমসুং আই পি এলগা মরী লৈননা থবক কয়া অমা পাঙথোকপা ঙমখ্রে। মহাক্না ইন্টরনেসনেলগী থৌদাং লৌবদি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরি। মহাক্কী অনৌবা থৌদাং অসি য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।



অরুনকুমারনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিগী ফিভম খরা ফগৎক্লবা মতমদা ঐ অমসুং ঐহাক্কী ফেমিলি য়ু এস এনা চহী অনীগী ওইনা সিফ্‌ট তৌরগনি।

ঐহাক্না অনৌবা থৌদাং অসি পায়খিবগা লোয়ননা ওনলাইনগী খূত্থাংদা লৈবাক অদুগী শান্নরোইশিংগা লোয়ননা থবক তৌবা হৌরে। কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা শান্নরোইশিংগা লোয়নদ্রগসু শান্নরোইশিং অসিদা দরকার তাবশিং ফংহল্লি। শান্নরোইশিংগী ফিটনেস প্রোগ্রামশিংসু অদুমক চত্থরি হায়না সিজন কোচ অরুনকুমারনা মখা তাখি।

জে অরুনকুমার মমাঙ চহীদা পুদুচেরি ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইনা থৌ পুরমখি। অদুবু ক্রিকেট এসোসিয়েসন ওফ পুদুচেরিগী ওফিসিয়েলশিংগী মরক্তা খেন্নবা কয়া থোরকপদগী মহাক্কী ফম অদু সিজন ময়ায় চনশিল্লকপদা থাদোকখিবনি।

মহাক হাউষ্টনদা মমাঙ থাদা পাঙথোকপা য়ু এস এগী সস্পোর্ট ষ্টাফশিং, সেলেক্টরশিং অমসুং শান্নরোইশিংনা শরুক য়াবা টেলেন্ট কেম্পতা য়াওখি। অরুনকুমারনা মফম অসিদা লৈবদা নুংঙাইবা ফাওই। মহাকপু মফম অসিদা পার্মেনেন্ট ওইনা লৈহন্দুনা মহাক্কী থবকশিং মপুং ফানা পাঙথোক্লবা ভিসা পীনবা থৌরাং তৌরি হায়না য়ু এস এ ক্রিকেটকী সি ই ও ইয়ান হিগিন্সনা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯ গী ক্রাইসিস অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক্কী ওইনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। পেন্দেমিক অসিগী ফিভম খরা ফগৎলবা মতমদা নৌনা কোচ ওইনা খল্লবা অরুনকুমারনা মপুং ফানা মফম অসিদা লৈদুনা মহাক্কী থবকশিং পাঙথোকহন্নবা হোৎনরগনি হায়না সি ই ও অসিনা মখা তাখি।

মমাঙদা ইন্দিয়াগী ৱিকেটকিপর বেটসমেন ওইরম্বা কিরন মোরেসু য়ু এস এগী ক্রিকেট টিমদা মতম খরা থবক তৌরম্বনি। লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা দোমেষ্টিক কোচ ওইরিবা জে অরুনকুমারগী ওইনা অনৌবা চেলেঞ্জ অমা ওইরগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# আই সি সিনা ইন্দিয়ান ওনর অমা করপ্সনগী চার্জদা অথিংবা থমখ্রে

*দুবাই, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

কুমজা ২০১৮ দা য়ু এ ইদা পাঙথোকখিবা টি-১০ লীগতা করপ্সন তৌখি হায়বগী মরালদা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ইন্দিয়াগী ব্যুজিনেসমেন দিপক অগরৱালবু অথিংবা থমখ্রে।

দিপক অগরৱালনা টি-১০গী টিম সিন্ধিসপু মতম খরগী ওইনা লৈখি। কুমজা ২০১৮ দা টিম অসিনা শরুক য়াখিবা অসি এন্টি-করপ্সন কোদ থুগায় হায়বগী মরালদা চহী ২ অথিংবা থমখিবনি। মহাক্কী চহী ২ অথিংবা অসিদা এন্টি-করপ্সন কোর্দ ভাইওলেট তৌখিবগী মতাংদা মপুং ফানা কো-ওপরেসন পীরকপদগী থা ৬ কী মতমদি সস্পেন্দ তৌখ্রে।

এন্টি করপ্সন য়ুনিটকী রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না টি-১০ লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা মশক খঙদবা মীওই অমগী ইভিদেন্সশিং মাঙ-তাকহল্লি হায়বগী মতাংদা দিপক অগরৱাবু মরাল শিখিবনি।

ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না অগরৱালনা এ সি য়ুগী ইনভেষ্টিগেসন চঙলমদাইদা মীওই অমদা মখোয়না ফোনগী খূত্থাংদা থানখিবা মেসেজ পুম্নমক ককথৎনবা পাউতাক পীখি। মসিগা লোয়ননা মহাক্কী ফোন নম্বরসু ককথৎনবা খঙহনখি হায়না আই সি সিগী ওর্দর অসিদা পল্লি।

আর্টিকেল ২.৪.৭ গী মখাদা দিপক অগরৱালবু রেকোর্দশিং খঙদনবা, শেমদোক্লবা অমসুং মাঙ-তাকহন্নবা হোৎনৈ হায়বগী চার্জ তৌখিবনি। আই সি সিগী জেনরেল মেনেজর এলেক্স মার্সেলনা ফোঙদোকখিবদা দিপক অগরৱালনা ইন্টিগ্রিটি থুগায়দুনা থিজিন-হুমজিল্লিবা অসিদা থেংথহন্নবা হোৎনৈ, মসি তৌরোইদবা থবক অমনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# ওড়িষা এফ সিনা সুভাম সারঙ্গিগী কেন্ট্রেক্ট ২০২৩ ফাওবা শাংদোকখ্রে



*ভুবনেশ্বর, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ক্লব ওড়িষা এফ সিনা ক্লব অসিগী শান্নরোই সুভাম সারঙ্গিগী কেন্ট্রেক্ট মতম অদু কুমজা ২০২৩ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ঙসি লাওথোকখ্রে।

ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট রোহন শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা সুভাম সারঙ্গি মশাগী চহী ১৭ খক্তা ঙাইরিঙৈদগী ক্লব অসিদা শরুক য়ারকখিবনি। ঐখোয়না মহাক্কী টেলেন্টতা অপেনবা পোকই। মহাক্না টিম অসিগী অহানবা শান্নরোই ওইনা এস্পিয়র একাদেমীদা ত্রেনিং তৌখিবনি । মহাক মশাগী চহী ১৯ শুরক্লে, মপুং ফারক্লে, মহাক তুংদা ক্লব অসিগীদমক য়াম্না অফবা শান্নরোই অমা ওইবা ঙমদুনা ক্লব অসিবু অৱাবা থাক্তা পুখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ১৯ শুরবা সুভাম সারঙ্গিনা ক্লব অসিদা মখা তানা শান্নবগী সাইন অদু ঙসি তৌনখিবনি। মহাক্না নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা ক্লব অসিদা মখা তানা চহী ৩ শান্নবা ফংগদৌরিবা অসিদা অপেনবা পোকখি।

ঐহাক্না হোম ক্রাউদ কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মগী মমাঙদা শান্নবা ফংবদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওজে। ক্লব অসিদা মহাকপু মখা তানা থম্বীবগীদমক মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি। টিম ১০ না লম্বা তৌনখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগতা ওড়িষা এফ সি ৬শুবা পোজিসন ওইখি অদুগা চেম্পিয়ন্না এটলেটিকো দি কোলকটানা ওইখিবনি।

# মেগনস কার্লসেন্না সেমি ফাইনেল য়ৌবা অহানবা শান্নরোই ওইখ্রে

*ওসলো, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

নোরৱেগী গ্রান্দ মাষ্টর মেগনস কার্লসেন্না য়ু এস দোলর ২৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা মেগনস কার্লসেন ইনভাইটেসনেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টতা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোই ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেটচতা মেগনস কার্লসেন্না রুশিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াটচিবু গেম ৩-২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মেগনস কার্লসেন্না অহুমশুবা গেম মায় পাকপা ঙমখিবদগী স্কোর মান্নহনবা ঙমখিবনি। অরমেগেদ্দোন গেমগী দিসাইদিং মেটচতা কার্লসেন্না টোস ঙমদুনা অঙৌবা মচু পায়বগী খুদোংচাবা ফংখি। মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ ওইখিবদা কার্লসেন্না য়াম্না চেকশিন্ননা শান্নরকখি। মসিনা মরম ওইরগা মেটচ অসি ৭৯শুবা মুভতা মায় পাকপা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙগী রাউন্দদা নোরৱেগী শান্নরোই মেগনস কার্লসেন নেদরলেন্দসকী শান্নরোই অনিস গিরিগী মখূত্তা মায়থিবা নংখিবনি।

অতোপ্পা ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফিদেগী শান্নরোই ইরানিয়ান মচা আলিরেজা ফিরৌঝানা নেদরলেন্দসকী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই অনিস গিরিবু অহানবা অমসুং অহুমশুবা গেম মায় পাকপা ঙমদুনা পোইন্ট ২.৫-১.৫ তা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

# ফোরেন কোচশিংনা তলব ঙাইরি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং ফোরেন কোচ এন্দ্রিয়ু কুক অমসুং টেমো কাজারাসভিল্লিনা মখোয়গী মার্চ থাগী লেমহৌরিবা তলব তঙ্খায় অদু লৌনবা ঙাইদুনা লৈখ্রে হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

নুপীগী রেষ্টলিং কোচ এন্দ্রিয়ু কুক রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (দব্লিয়ু এফ আই) না লক্ষনৌদা মার্চকী ১৭ তা পাঙথোক্কদবা নেসনেল কেম্প কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্না য়েথোকখিবদগী য়ু এসকী সিট্টলদা মাচ ১৯ দা চৎখ্রবনি। ইন্দিয়াগী গ্রেকো রোমান কোচ কুমজা ১৯৮২গী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন দিমিনুটিভ কাজারসভিল্লি সোনেপটতা পাঙথোক্কদবা নুপীগী কেম্প তোকখিবদগী জিওর্জিয়াদা চৎখ্রবনি হায়রি।

ক্রোসৱার্দ ৫০৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| E | L | L | A | ■ | P | A | G | E | ■ | S | C | A | L | P |
| R | O | O | M | ■ | A | P | E | R | ■ | T | U | T | O | R |
| A | R | B | I | T | R | A | T | E | ■ | A | B | O | D | E |
| S | E | E | D | I | E | R | ■ | ■ | O | R | A | N | G | E |
| ■ | ■ | ■ | ■ | E | N | T | R | A | N | T | ■ | E | E | N |
| R | E | S | O | R | T | ■ | E | L | L | S | ■ | ■ | ■ | ■ |
| E | R | O | D | E | S | ■ | G | A | Y | ■ | L | I | S | A |
| A | I | D | E | D | ■ | G | A | S | ■ | S | U | S | A | N |
| P | E | A | S | ■ | L | O | T | ■ | S | I | L | E | N | T |
| ■ | ■ | ■ | ■ | P | E | A | T | ■ | M | E | L | E | E | S |
| S | E | T | ■ | A | T | L | A | S | E | S | ■ | ■ | ■ | ■ |
| H | A | R | A | S | S | ■ | ■ | C | A | T | A | L | O | G |
| E | R | E | C | T | ■ | O | P | E | R | A | T | I | V | E |
| A | L | A | M | O | ■ | D | A | N | E | ■ | O | V | E | N |
| R | Y | D | E | R | ■ | D | Y | E | D | ■ | M | E | R | E |

**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 29th April, 2020

**No. 5/40/2012-HSC:** It is, hereby, notified for general information to all principals/Head of the Institutions under the Council that the prescribed format of Tabulation Sheet for the Class XI Examination, 2020 can be downloaded from the Council's web portal **www.cohsem.nic.in** print in A3 size paper or collected from the office of the undersigned to enable to submit the same on or before the 13th May, 2020 along with the Attendance Sheet.

*Sd/-*
(PH. MANTRI SINGH)
Controller of Examinations,
Council of Hr. Sec. Education,
Manipur

*SL/B/30*

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)
IMPHAL : MANIPUR

ADVERTISEMENT
Imphal, the 28th April, 2020

No. B/2661/2013-RIMS (Pt.II): A walk-in-interview for selection of suitable persons for the following posts will be held on 2nd May, 2020 at 11:00 a.m. in the conference room of Jubilee Hall, RIMS, Imphal. The appointment is purely on contract basis for a period of 1 (one) month, extendable on need basis. Interested candidates having the following qualification, experience and within the upper age limit may attend the walk-in-interview. The candidates have to produce their original certificates, testimonials before the Selection Board.

| Sl. No. | Name of the post | No. of post (s) | Age (as on 31/3/2020) | Pay | Eligibility Criteria |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Office Assistant | 3 nos. | 35 yrs | Rs. 14865/- | i) Graduate ii) Basic Computer knowledge |
| 2 | Sr. Technical Associate | 1 no. | 45 yrs | Rs. 25710/- | i) B.E. (Computer Science) |

The upper age limit relaxable 3 years for OBC and 5 years for SC/ST candidate and also age relaxation for physically handicapped candidates will be provided as per Govt. of India norms.

Interested candidates can download the **Application Form** available at RIMS website 'www.rims.edu.in' and submit the scan copy of the **Application Form** at the institute e-mail 'rims@rims.edu.in' on or before 12:00 noon of 1st May, 2020. No hard copy will be entertained. Original certificates are to be produced on the day of the walk-in-interview.

*Sd/-*
(K. Doungel)
Deputy Director (Admn.)
Regional Institute of Medical Sciences,
Imphal

*SL/B/30*